## ওপোজিসন লৈতবা লৈঙাক ওইহন্নবা হোৎনরি

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী) :
সী বি আইনা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল সমন তৌখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা থৌওং অসিদি লৈবাক অসিদা ওপোজিসন লৈহন্দনবা হোৎনবনি হায়না রাজ্য সভাগী মেম্বর কপিল সিবালনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কপিল সিবালনা ফোঙদোকখিবদা, থৌওং অসি ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টি খুনি দংমক্লা কন্দেম তৌফম থোকই অমদি থৌদোক অসিগী মতাংদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগদবনি। সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসি ওপোজিসনগী চীফ মিনিষ্টরশিংদা টার্গেট থমদুনা থবক কয়া তৌরি। সেন্ট্রেল এজেন্সি কয়াবু বি জে পিনা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নরক্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা ওপোজিসনশিংনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদ্রবদি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন শোয়দনা মাঙখ্রগনি অমদি দিক্টেটরশিপকী লৈঙাক শোয়দনা লাক্লগনি হায়রি। পনবা য়াবদি কেজ্রিৱাল দেল্লি এক্সাইজ পোলিসি কেসকা মরী লৈননা সী বি আইনা সমন তৌখিবনি।

## মতাং চাবদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা চপ চাবা পাউখুম পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ : নিটিশ কুমার

পটনা, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী) :
দেল্লি এক্সাইজ পোলিসি কেসকা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল সমন তৌখিবা অদুগী চপ চাবা পাউখুম কেজ্রিৱালনা মতাং চাবদা শোয়দনা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ মীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা সেন্টরনা করম্বা মখলগী লাল্লোং চথরক্লিবগে হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না চপ চানা খঙই। চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱাল ইকায়খুম্ননিঙাই ওইবা লুচিংবা অমনি। মহাক্লা মহাক্কী মরমদম দেল্লিগীদমক পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসি মতৌ তমজনিঙাই ওই। অদুবু সেন্টরনা ওপোজিসনশিং মায়থিবা পীনবা হোনরকপগী শরুক অমা ওইনা দেল্লি এক্সাইজ কেসতা কেজ্রিৱালবু পুশিন্নবা হোৎনবনি হায়রি।



মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সী বি আইনা কেজ্রিৱালনা সমন তৌখিবা অদু এক্কুজ অমা ওইনা তৌখিবনি নত্তে। কেস অদুগী ৰিটিনেস অমা ওইনা মহাকপু সমন তৌখিবনি। মরম অদুনা মতাং মতম চানা চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালগী চপ চাবা পাউখুম পীরক্কনি হায়বগী থাজবা চাওনা লৈ হায়রি।

সেন্ট্রেল রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পিনা চথরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসি থিংনবগীদমক ওপোজিসনশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনরকপনি। মখা তানসু ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিন্নবা অমদি বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনখিগনি হায়রি।

অমরোমদা বিহারগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর তেজস্বি য়াদবনসু ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মলিকঅর্কুন খর্গে অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীগা উন্নদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ওপোজিসনশিংনা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক খন্নবা হৌখ্রে। মদুগী মতুং চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমার অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর তেজ স্বি য়াদবনা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা এ এ পিগী লুচিংবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগা উনখিবনি।

## পুলৱামাগী ৱাথোক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনখি : সত্যপাল মালিক

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অমসুং বি জে পিগী পোলিটিক্সতা চাওনা অকায়বা লাকহনবা য়াবা ৱাফমশিংগী মতাংদা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী অরোইবা গভর্নর ওইখিবা সত্যপাল মালিকনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি করপসন তৌবদা প্রোব্লেম অমত্তা লৈতবা মীওইনি হায়না মরাল শিখ্রে।



হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী ফেব্রুৱারী থাদা থোকখিবা পুলৱামা এটেক অমদি জম্মু অমসুং কাস্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা মতম অদুদা গভর্নর ওইনা লৈখিবা সত্যপাল মালিকনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪০ শিহনখিবা পুলৱামা ৱাথোক অদু হোম মিনিষ্ট্রি অমদি সী আর পি এফকী য়াম্না চাওবা অশোয়বা অমনি। থৌদোক অদু রাজনাথ সিংহনা হোম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা থোকখিবা থৌদোক্নি, সী আর পি এফনা মখোয়গী পর্সনেলশিং হোন্দোক হোনজিন তৌনবা এয়রক্রাফ্টকী মতেং নীখি অদুবু মদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরকখিদে হায়নসু সত্যপালনা মখা তানা ফোঙদোকখি। য়াম্না ঙক্লিবদি থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহাকপু কোর্বেট পাক মনাক্তগী টেলিফোন তৌরক্লগা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনবা খঙহনখি লোয়নননা এন এস এগী অজিট দোভালনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈনবসু খঙহল্লকখি হায়রি। খুদক্তা ওইরক্লিবা ফিভম অদু পাকিস্থানদা থংজিল্লগা গভর্নমেন্ট অমদি বি জে পিনা খুদোংচাবা লৌনবা ওইরমগনি হায়না সত্যপাল মালিকনা খনখি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পুলৱামা থৌদোক্কী মতাংদা লৈবাক অসিগী ইন্টলিজেন্সকী ওইনসু চাওনা অশোয়বা লৈখি। আর দি এক্স এক্সপ্লোসিব কিলোগ্রাম ৩০০ রোম অদু পাকিস্থানদগী পুশিল্লকখিবা ওইরবসু থৌদোক্তু থোক্ত্রিঙৈদা জে এন্দ কেগী লম্বীশিং অমদি খুঙংশিংদা নুমীৎ ১০-১৫ কনা অমত্তা খঙদনা বোম পুবা কারদু কোয়না চত্তুনা লৈখি হায়রি।

## ঐঙোন্দা টিকেট পীদ্রবদি সীট ২০-২৫ মাঙজরবা য়ানা লৈ : ফোর্মর চীফ মিনিষ্টর

হুব্বালি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী) :
মথংথাগী ১০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কর্নাটকা লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনবগী টিকেট পীবগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া থোকপা হৌখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জগদিস শেটারনা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা বি জে পিগী ওইনা হয়েং কেন্দিদেটশিংগী ফাইনেল লিষ্ট অমা থোক্কদৌরিবা অসিদা মহাক্কী মমিং য়াওরক্ত্রবদি বি জে পিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি সীট ২০-২৫ দি মাঙজরবা য়ানা লৈ হায়রি।

পাউ মীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা হায় কন্মান্দনা মহাক মীরেপ ওইদনা কন্না প্রেসর পীরকপা লৈরে। অদুবু হৌজিক্কী ওইনা মহাক করি তৌগদগে হায়বগী চপ চাবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রি। হয়েং ফাওবা মহাক পার্টিনা করি ফিরেপ লৌরকপগে হায়বদু য়েংখিগনি। মরমদি হৌজিক্কী ওইনা কন্সটিট্যুয়েন্সী ১২ মী মীরেপশিংগী মমিং লাউথোক্কদবা ৱাৎলি। মদুগী মনুংদা মহাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সিসু য়াওরি। মরম অদুনা খুদক্কী ওইনা ফিরেপ লৌখিরোই। অদুমওইনমক মহাক বি জে পিগী য়াম্না মরুওইবা মীশক অমনি হায়বসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপানা মহাক্কী মতাংদা হান্ননা টিকেটকী মতাংদা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মহাক টিকেট ফংদ্রবদি চাওনা অকায়বা লাকপা য়াই হায়না য়েদিয়ুরাপা মশানা ফোঙদোকখিবা লৈরবনি। মসিগী মতাংদসু সেন্ট্রেল লীদরশিংনা ৱাখল মুন্না খন্থফম থোকই হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টিকেট পীবগী মতাংদা লোকেল বোদিশিংগী ওইনা লৈরিবা বি জে পি ৱার্করশিংগী মরক্তা পেন্দবা কয়া য়াওনরকপদগী পার্টি অসিদগী তোক্লবা ফিরেপ লৌবসু হৌনখ্রে। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কাউন্সিল্লর খরদগী পার্টি অসিদগী তোক্লবা চেরোল পীশিল্লকপসু লৈরে অমদি মহাক্কী ৱার্করশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌগনি হায়রি।

## পোৎয়ান য়াওবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ২০ শিখ্রে, ৬ লায়কন্নরি

পটনা, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী) :
ঙরাং নুমিদাং বিহারদা পোৎয়ান য়াওবা য়ূ থক্লুবদগী মীওই ২০ শিখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা ৬ না হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালদা অরুবা ফিভম লায়কন্নরি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা ষ্টেট অসিদা পোৎয়ান য়াওবা য়ু থক্লুবদগী মীওই কয়া শিখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লা য়ু থিংনবা ফিরেপ লৌখ্রবনি। অদুম ওইনমক বিহারগী কোনুং পটনাদগী কিলোমিটর১৫০ রোম চৎলগা লৈবা মফমশিং লক্সমিপুর, পহরপুর অমসুং মোইতিহারিদা পোৎয়ান য়াওবা য়ু থক্লুবদগী মীশি মীনা থোকপগী পাউ অসি লাকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না পোৎয়ান য়াওরবা য়ু অদু ঈশিং টেঙ্কর অমদা হাপ্লগা মোইতিহারিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়েল্লমখিবনি। অমদি য়ু অদু থক্লুরবা মতুং লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি। অমরোমদা পুলিস অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগীদি থৌদোক অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী অমত্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়রি।

বিহারদা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা বি জে পিনা থৌদোক অদু চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী অশোয়বনি অমদি থৌদোক অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা অশেংবা ৱাফম খঙহনগদবনি হায়রি।

## হৌখিবা পুং ২৪ দা লৈবাক অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ১০,৫৭৩ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১০,৫৭৩ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২৭ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১০,৫৭৩ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৮,০৮,০২২ শুখ্রে। অনৌবা কেস মশিং ১০,৫৭৩ থেংনখিবগা লোয়নননা এক্টিব কেস মশিংদি ৫৩,৭২০ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ২৭ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩১,০৯১ লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৬৯ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১২ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

অমরোমদা লায়না লাচৎ অসিদা মপুঙ ফানা ফগৎলকখিবা মী মশিংনা ৪,৪২,২৩,২১১ শুখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

## য়ুনাইটেদ পিপলস রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর ...

*লামায় ১গী মখা...*
না মপুঙ ওইবা লূপকী ৱারোল পাথোক্তুনা কংলৈপাক্কী নীং তম্বগী লাঞ্জং অসিদা য়াওল্লোয়শিংনা কখোকপগা লোয়নননা লৌগদবা থৌদাং অমদি মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা জিও পোলিটিকেলগী মশক অসিগা লোয়নননা চঙশিনগদবা ঐখোয়গী নীংতম লাঞ্জং অসিগী ৱাফম কয়া লুপ্লোয়শিংদা থমদুনা নীংতম লান্মীশিংগী মথৌ হেন্না শঙখি। য়ু পি আর এফ এমনা য়াওল্লুপ অমা ওইনা শাফোংলকখিবদগী লূপকী ৱাখল্লোন্দা অচেৎপা থাজবা থমদুনা নীংতম লান্মী অমা ওইনা কখোক্তুনা লাক্লিবা লূপ্লোইশিং অসিমক নীংতম্বগী লাস্থেং অসিগী অচংবা লান্মীশিংগী মগুন চেল্লবা কখোল্লবা নীংতম লান্মীশিংনা হায়বা ৱারোল পীখি।

চ্যেরমেনগী ৱাপাউনা মখা তারদুনা মালেম অসিদা থোকখিবা অশেংবা রিভোলুসনরিগী ঈহৌ অমত্তা মায়থিখিদবনা ঙসি ঙসিমক কংলৈপাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক্তা লাস্থেংনরিবা ঐখোয়গী য়াওল্লোই লান্মীশিংগী মফমদা অশেংবা রিভোলুসনরি অমগী চেনফদ্রবা মগুনশিং অমদি নীংতম লান্মী অমনা চেনগদবা মতিক ময়ায় খুদিংমক ঐখোয়গী নীংতম লান্মীশিংগী মফমদা য়াওহল্লকপা অমদি মদুগী ৱাখল ইনোৎ পোকহনবসিনা চথরিবা রিভোলুসন অসিগী ঈহৌবু মায় পাকহনহন্নবগী অহানবা লম্বীনি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়নননা ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা শুপ্নম তৌদুনা নীংতম্বা মৎপীখ্রবা মতুংদা কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদমগী কলচর আইদেন্টিটিদা মপুঙ ওইবা ইন্দিয়নশিংনা ইরৈচাশিংবু লাকশিন্নবা হোৎনরি হায়রি।

*মখা হয়েং...*

## কে সী পিগী ৪৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*
১৩১ বটালিয়ন দিপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, সী দি ঈ ক্যুবা অমদি কে সী পি/ এম এফ এলগী সী দি ঈ সাইয়োননা অখন্নবা ফিরাল চীংখত্তুনা থৌরম হৌদোকখি। থৌরমগী মখা চথরকপদা সী দি ঈ. সাইয়োননা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী চহীগী ৱারোল পাথোকখি। মথংদা অথোইবা মীথুংলেন ধনানা মাগী ৱারোলদা হৌজিক ইরমদম অসিদা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা মতম অসিগী ফক্ত্রবা দ্রগ কয়া শিজিন্নদুনা মশানা মশাবু মাঙহঞ্জরি অমদি মখোয় অসি দ্রগ লল্লোনবশিংগী লাংদা থুরবা ভিক্টিমশিংনি হায়খি।

ঙসিদি দ্রগ লল্লোনবা কয়া শেঞ্জাও পায়খৎলক্লে। ভোট লেপ্তুনা লৈপাক ঙাকপদা য়াওশিল্লক্লে। দ্রগ লল্লোনবশিংনা লৈঙাক্তা য়াওশিল্লকপদগী লৈবাক অসি কাং খোঙ চাইরে হায়না মহাক্লা মখা তারদুনা লৈবাক মীয়ামগী পুন্সি খাঙেনফম য়ৌরে হায়খি। অসুম্না মাগী ৱারোল পীরদুনা অনৌবা অফবা খুন্নাই অমা ওইনবা দ্রগকী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না লাস্থেংমিন্নরসি, মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি। থৌরমগী মখা তারকপদা থৌরম মপু জি-৩ সী দি ঈ. মনিনা মতম অমদা ঐখোয়গী চনু নিঙোলশিংনা শিন্নাইফম ফম কাবগী চৎনবী লৈরম্বগী ৱারী ঐখোয়না তাই। ঙসিদি লৈত্রে হায়রদুনা চৎনবী অসি লৈত্রবসু ঐখোয়গী নুপী খুন্নাইনা ফিশা-লোনসা তৌদুনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি, অদুবু ঙসিদি ইশাগী ৱার্ক কলচর থাদোক্তুনা মীগী মতৌ তম্লগা চাওখৎলে খনবা, শুনিং নোম্লিংদবনা হেন্না মশিং য়াম্লে। থবক্তা চিলহাও থিদবা অমদি ফিশা লোনসানাচিংবা শেন্দাল লম্বীদা মায় ওনশিন্দুনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন চাওখৎহল্লসি, থৌনা ফবী, অখাঙ কনবী অদুঙৈগী ঐখোয়গী ইমা ইবেনশিংগী ফিভম লৌরবসি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

অখন্নবা মীথুংলেন তম্বগী ৱারোলদা, ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি নোংম নোংমগী লৈখা তারক্লে। ঐখোয়দা লায়চুরক্লিবা মীপান তাংবগী হৈনবীসি খম থেংলে, অসিগুম্বা ফৎত্রবা হৈনবীসিনা ঐখোয় ইশানা ইশাগী শক্তম মুখৎচরক্লি। কনাগুম্বনা হৌজিক মতমদা ময়াংগা পুন্দ্রবদি ঐখোয় হিংলরোই হায়বা য়াওনরক্লে। ময়াংগা পুনশিনখ্রবদি ঐখোয়গী চহী লীশিং ২০০০ হেনবগী পুৱারী, শক্তম, ইপানাৎ ইনুপাৎ, চৎন-লোনচৎ পুম্নমক লৈররোই। মতমদুদা ঐখোয়সে ঐখোয় ওইররোই। ঈশিং ঈচাওগুম চঙশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাগী লাংদা থুখিদনবা ঐখোয় ৱাখল খন্থমিন্নবা মথৌ তাই হায়না অখন্নবা মীথুংলেননা হায়খি।

কে সী পিগী ৪৩ রকশুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী থৌরম সেন্ট্রেল হেদক্বার্টর, জেনরেল হেদ ক্বার্টর, ট্রেনিং সেন্টর, টেক্টিকেল য়ুনিটনচিংবা তোঙান তোঙানবা অতে মফমশিংদসু পাঙথোকখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ৪৩শুবা কে সী পিগী মপোক কুমওনদা সেন্ট্রেল কম্মিটিনা...

*হান্নগী মখা...* নোংমতা কাংদনা দ্রগতা নত্তনা মসিগা মরী লৈনবা মীওই কয়াসু ফাবা পুনবা লেপত্রি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মপান্দগী পুশিল্লকপা অমদি পোপি থাবদা চেন্নরিবা কিং-পিনশিং ফাবগী পাউদি অমত্তসু তাদ্রি। ফারবসু নাস্থোকখিনবগী লম্বী পীবা মাল্লি। মথক্কী খুদম খরসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী অকন অকনবা পোলিটিকেল পৱারগী খুৎ দ্রগ লল্লোনবগী থবক অসিদা য়াওই হায়বনি।

দ্রগ লোর্দশিংনা মখোয়গী শেন্দোংখক্তগী য়েংবদা লমদম অসিগী মীওইশিংবু দ্রগতা লাইচুহন্দুনা লল্লোনপোৎ ওস্থোক্লি। দ্রগকী লাং থাক্তুনা মীওই কয়া অহল নহা খাক্তবা মখৈ হাৎখ্রে, হৌজিকসু হাৎপা লেপ্ত্রি। ঙসিদি দ্রগ খক্তনা মী হাৎলোইদৌরি। দ্রগ চাবসু চাদবসু পুল্লপ চরম মেৎলক্কদৌরি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং ওপিয়ম পোপি থানবা উমং-ৱামং কোকথোকপদা চীংমায় পুম্বা মরূ কোক্লে, লৈকঙলা ওল্লে। মণিপুরগী চীংশাং নাপোমশিং মহৌশাগী শকফম ওইদ্রে। মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা চীংদা মীশিং খঙহেন হেনগৎপগুম তৌরক্লি। হান্না লৈরমদবা অনৌবা খুল কয়াসু চোঙথোরক্লি। মসি য়ুমথংনবা লৈবাক্কী পোলিটিকেল টর্মোইল অসিনসু মরম অমা ওইরমগনি। অরুবা ফিভম্নি। মণিপুরগী তুংলমচৎতা হয়েং করি ওইরক্কনি খল্লুবদা অবিগী মশক্লি। মহৌশাগী খোঙচৎ অমদি অকোইবগী ফিভম হায়নিঙাই লৈতনা শোকচিল্লে। মীওইবগী হকচাংদা শোক্কদবা ইন্সেক্টিসাইদ, হর্বিসাইদ অমদি কেমিকেল কয়ামরুম পোপি থাবদা অমদি হাৎপদা শিজিন্নবনা থৱায় পানবশিংদা লায়না তিন্না কয়া পোকহল্লি। উমং কোকথোকখিবদগী চীং, পাৎ, তুরেল মফম খুদিংমক ঈশিং কংলে। অখঙ অহৈশিংগী মতুংইন্না মহৌশাগী খোঙচৎ নৎত্রগা অকোয়বগী ফিভম কায়হল্লকপসি মপুং ওইবা মরম মরিনি হায়রি। মরমশিং অদুদি ১) মী মশিং কা হেন্না হেনগৎলকপা ২) ঈশিং নুংশিৎ অমদি অঙৈং অশা হোংলকপা ৩) উমং কোকথোকপা অমদি ৪) এসিদকী চাং হেন্না য়াওবা নোং তারকপা অসিনি। হায়রিবা মরমশিং অসি ঐখোয়গী হোংলক্লিবা অকোয়বগী ফিভমশিংগা চাংদম্নরুরগদি অমত্তা ৱাৎত্রে, চপ চানরে। শেঞ্জাও তানবা দ্রগ লোর্দশিংনা লাইরবশিংগী ঈ থক্লি। লাইরবশিংনা হিংনবগীদমক মহৌশাদা পুম্নমক তাইনরি। ঙসিদি শেন্মিৎলোন্দগী অৱাবা পোৎলুমগী মহুৎ অকোয়বগী ফিভম শোকচিল্লকপগী অৱাবা পোৎলুমনা শিনখ্রে। অকোয়বগী ফিভম শোকচিল্লকপনা মরম ওইদুনা মীওইবা খুন্নাই খক্তা নত্তনা থৱায় পানবা পুম্নমক্তা অকি অখঙ পীরক্লে, হিংবদা অসুক্কী মতিক ৱাহল্লে।। ঐখোয়গী ইকো সিষ্টেম কায়খরে। মতম খরগী মতুংদদি মীওইবনা হিংবা ঙমদবা মফম ওইরকপসু য়ারি।

মতাং অসিদা চাইনাগী ওপিয়ম ৱার হঙ্গৎনা য়েংবা য়াই। অহানবদা ওপিয়ম ৱার (১৮৩৯-৪২) অমসুং অনিশুবা ওপিয়ম (১৮৫৬-৬০) গী মতুংদা চাইনা লৈবাকসি নিংতম্লম্বদগী অসুম অসুম সেমি কোলোনিয়েল, সেমি ফ্যুদেল ওইবা লৈবাক ওইনা লৈখা তারকখি অমসুং মমাংদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। চাইনিসশিং ওস্থোক্লবা থিনা ইকাইবা নংখি, লৈবাক মীয়াম লৈখা পোনবগী চৈনা খাংখি, চাওখৎলে হায়না পোংজরম্বা চাইনিস খুন্নাই অমম্বা লোকখাদা লংথখি। হৌখিবদো নৌহৌননা নৈনরগা ফোংলকপা য়ু এন ও দি সি গী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না বৃটিশ অম্পয়র শিল-লাংলগা ইন্দিয়াদগী ওপিয়ম চাইনাদা থাজিন্দুনা লাল্লোন ইতিক তৌবা য়াহনখিবা অদুগী মহৈ ওইনা মতমদুদা চাইনিস মিলিয়ন ১০ গী মথক্তা ওপিয়মগী ইপাক্তা ইরাক্লখি অমসুং মরুওইনা চাইনাগী সমুদ্রা খোংবানগী সিটিশিংদা শাথিনা অমাং অতা থোকহনখি হায়রি।

১৯ শুবা চহি চাগী তঙ্খাই চল্লকপা অদুৱাইদা ওপিয়মবু শেরাননা শিজিন্নরুবদগী চাইনিস কলচর অসি মায়োল য়ৌনা শোকচিনখি। মতমদুদগী হৌনা চাইনিস নেসনবু অমুক্তং নৌহৌননা য়েন্নিং হুলহনবা হায়বসি চাইনিস মীয়াম অমসুং মরৈবাক নুংশিবা চাইনিসশিংগী অমত্তা ঙাইরবা মঙলান ওইখি। কুমজা ১৯৫০ গী পরিংদা মাও জেদোংগী লৈঙাক্লা লমহেন তুমহেনবশিংবু মনিং তম্না ৱারক ৱাতেমদুনা, খুন্নাইবু শেমগৎ শাগৎতুনা ওপিয়ম শিজিন্নবা অমদি পুথোকপশিং মুখৎখি। ওপিয়মদা লাইচুরবা মীওই মিলিয়ন ১০ হেনবা তঙাইফদনা নমদনা লায়েংলম্মী, ওপিয়ম য়োনবশিংনা তুম্না হাৎতোকখি। ওপিয়ম থারম্বা মফমশিংদা ওপিয়মগী মহুৎতা অতোপ্পা শেল থোকপা মরু-মরাং ওইনা থাহনখি। ওপিয়ম থাবশিং সাউথ চাইনাগী ঙখৈরোমদা তকথোরকপদগী গোল্ডন ত্রাইঙ্গলদা থৈজিল্লকখি। ঙসিদি অদুগুম্বা বৃটিশনা ওপিয়ম পীদুনা মতম শাংনা পংথরুরবা চাইনিসশিং মশা মথন্তা হৌগৎচখ্রে, চাওখৎপগী চীংদোলদা পজেং ফিরাল পাইখ্রে, মরৈবাকপু ৱাংনা থাঙ্গৎখ্রে।

মতম অমদা য়াওল লান্মীশিংনা মীয়ামগা তোৎন-তিন্নদুনা লৈরিঙৈ, লৈরক খুল্লক্তা কোইনা চৎলিঙৈ ঙসিগী অসিগুম্বা কংলৈ খুন্নাইগী য়েংহৈদ্রবা শকফমশিং অসি ওইরমদে। মীয়ামগী পুন্সিগা য়াওল্লোয়শিংগা য়াম্না নকশিন্ননা চৎমিন্নরম্মী অমদি খুদিংমক শাফরম্মী। য়াওল লানথেং হায়বসিমক্তবু লৈরম লৈরম্বা সোসিয়েল সিষ্টেম অদু শিংন্দুনা অহোংবা পুরকপা হায়বসি হৌনশানি। শিংনদ্রবদি খুন্নাইদা অহোংবা পুরকপা ঙল্লোই। অদুগুম্বা শিংনবা কয়া অদুনা খুন্নাইগী শোকহৈদবা ময়োল ওইবা শরুক্তা শোকখিদুনা মীয়ামগী মচিন ফিবুল নমখিবগুম্লে, লাইরিক লাইশু হৈরবা, অখঙ অহৈশিং, মচাইচৌ, মাইনৌ ঙম্না মতম কুইনদগী ৱা অমত্তা ঙাংখিদ্রে। লৈবাক্কী ৱাফমদা লোয়না নাথৈদুনা লৈনখ্রে। হৌখিবা দিকেদ ৬ সিগী মনুংদা য়াওল্লোয়শিংগী মরক্তা কনাগুম্বা লুচিংবশিংদি থাজদনা লিচৎ কোম্বা য়াওরক্লে। কংলৈ য়াওলগী পুৱারীনা ঙাকপীরোইদবা লিচৎ ঐখোয় করিগুম্বদসু চৎলোইদবনি। য়াওলগী মঙ মংবা ঙমদ্রবা, মায়থিগনি হায়না নিংহন্নরবা অমদি লিচৎ কোম্বশিংনা য়াওলগী থবক তৌবা তুং কোইরোই। মৈ হেক চংবগা কোন্সেং শারম্বা অরুপ্পা মচু মাংখিগনি। তুংলমচৎপু শাননা উবা ঙম্বা, য়াওলগী পোৎমিৎলোন খংবা, য়াওলগী ৱায়েলদা চেৎনা থাজবা অমদি কখোকপনা মশরুক ওইবা য়াওল্লোয়শিংতনা য়াওল লাস্থেং চথগদবনি। চাইনিস খুন্নাইনা পাকথরম্বদগী হৌগৎলক্তুনা মরোমদোম লেপচখিবগুম কংলৈ খুন্নাইবু হিংহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবনি। ঐখোয় খুদিংমক অরোনবা অফোংবসু নুং পানগী লৈজবা পাঙ্গল পুম্নমক খোমদুনা পুৱারীগী নাপলগা লোয়নননা ঐখোয় হৌগৎপা মতম ওইরে। মতম হেনখ্রগদি অকংবা পান্বীদা ঈশিং চাইবা তাগনি। কনামত্তনা ঐখোয়বু কনবীরগদবা নত্তে। ঐখোয়গী লাইবক্তী ঐখোয়না লেপচগদবনি হায়না কে সি পি সেন্ট্রেল কম্মিটিগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**
**Ref :- Mutation Case No. 158/SDC/IW-L/2023**
1. Sagolsem Banamali Devi C/o Reynold Mangsatabam of Luwangsangbam Awang Leikai - Petitioners
-VS-
(Late) Sagolsem (O) Mukta Devi W/o (L) Thambalngou Singh of Luwangsangbam - OP/Party
**ꯈꯣꯡꯒꯣꯜ / NOTICE**
13/04/2023
U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার শগোলশেম ওংবী মুক্তা দেবী পতি মৃঃ থম্বালঙৌ সিংহ সাং লুৱাংশংবমগী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৫-কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৫২ দাগ নং ১২৯ এরিয়া ০.৯৩ একর চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাস থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈতে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।
**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang
HL-P/6498/16 Aprl

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**
**Ref :- Mutation Case No. 157/SDC/IW-L/2023**
1. Thoudam Shanti Devi W/o (L) Th. Manichoubi Singh of Phumlou Mamang Leikai - Petitioner
-VS-
(Late) Thoudam Manichoubi Singh S/o (L) Kulamjat Singh of Phumlou Mamang Leikai - OP/Party
**ꯈꯣꯡꯒꯣꯜ / NOTICE**
13/04/2023
U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থৌদাম মনিচৌবী সিংহ পীতা মৃত কুলমজাৎ সিংহ সাং ফুমলৌ মমাং লৈকাইগী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুমলৌগী অনৌবা পাট্টা নং ১৮৪ দাগ নং ১৩৬২ এরিয়া ০.১৯২ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাস থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈতে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চৎথজরগনি।
**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang
HL-P/6498/16 Aprl

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**
**Ref :- Mutation Case No. 128/SDC/W(N) Sekmai of 2023**
Thangjam Sanayaima Singh S/o Thangjam Babuchand Singh of Lamlongei Mayai Leikai Mantripukhri (Share portion of Co-pattadar No.1) - Petitioner
- Vs -
(Late) Thangjam (O) Bimala Devi W/o Babuchand Singh of Lamlongei Mantripukhri - Pettadar
**ꯈꯣꯡꯒꯣꯜ / NOTICE**
Sekmai the 12/04/2023
Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 25-Tingri Under Patta No. 496 (Old) 773 (New) Covered by c.s. Dag No. 3296 গী area 0.625 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি লৌফম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চৎথজখ্রগনি।
**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/6505/16 Aprl

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**
**Ref :- Mutation Case No. 129/SDC/W(N) Sekmai of 2023**
Lal Bahadur Rasaily S/o (L) Budhman Rasaily of Leimakhong Mamang - Petitioner
- Vs -
(Late) Budhman Rasaily S/o (L) Bahadur Rasaily of Leimakhong Mamang - Pettadar
**ꯈꯣꯡꯒꯣꯜ / NOTICE**
Sekmai the 12/04/2023
Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 38-Khurkhul Under Patta No. .......... (Old) 690/2844 (New) Covered by c.s. Dag No. 185/2107 গী area 0.0688 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি লৌফম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চৎথজখ্রগনি।
**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/6505/16 Aprl